HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 164 | নোংমাইজিং, লাংবনগী ২২/২৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, September 14, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## হায়বগা তৌবগা : মোদিনা ঈং-তপ্পা অমসুং তংদু-লৈতাবা লৈহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়বদগী হেন্না অতৈ হায়রমদ্রে

খুদোংচাদবা কয়াদগী লাকপা ঙমখিদ্রবসু ঙসি লাক্লিবা অসি য়াম্না মরম চাবা খোঙচৎনি : বিরেন

অথুবা মতমদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হোৎনবীরক্কনি থাজৈ অমসুং লৈঙাক অমা শেল্লক্কনি হায়বগী থাজবসু লৈজে : এম এল এ ইবোমচা

ঈং-তপ্পা পুরক্লবগী লম্বী য়াৎকদ্রা খল্লুবনি, নেপালগী ৱাফম্না হেন্না লূম্না ঙাঙলম্বসি নুংঙাইতে : নুপী অমা



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি লোইশিন্দুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা অমদি তংদু-লৈতাবা হঞ্জিলহন্নবা লৈঙাক্লা কন্না হোৎনরি অদুগা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিং হান্নগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মোদিনা ঈরাংগী ৱারোইশিন পুরক্লবা রোদমেপ থল্লমদ্রে কোংগ্রেসনা লোইশিল্লম্লবা থবকশিং শঙ্গাবা লাকপনি : ইবোবী

শঙ্গাবা লাকপা ওইরবদি কোংগ্রেসনা তৌরম্বা থবকশিং বি জে পিনা টর্ম অনীদা শঙ্গাবা লোইবা ঙম্লোই

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি মণিপুরগী ঈরাং অসিগা মরী শুংলৈ লৈনদবা খোঙচৎনি : এম পি বিমোল



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী চহী অনী হেল্লক্লবা ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রোদমেপ অমা থল্লমদ্রে হায়রদুনা কোংগ্রেসনা চাদা ৭০/৮০ লোইশিল্লম্লবা থবকশিং শঙ্গাবা লাকপনি অদুগা করিগুম্বা শঙ্গাবা লাকপা ওইরবদি কোংগ্রেসনা তৌরম্বা থবকশিং বি জে পিনা টর্ম অনীদা ফাওবা শঙ্গাবদা লোইবা ঙম্লোই হায়না চীফ মিনিষ্টর অহল্লক ওইরম্বগা লোয়ননা হৌজিক্লা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওইরিবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুং খরগী খোঙচৎতা চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা লাক্লম্বগা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী ওফিশল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## জষ্টিস এম সুন্দরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):**



চৎলিবা চহীসিগী মে থাদ্গী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইরকখিবা জষ্টিস কে সোমাশেকরগী সর্ভিস মতম হয়েং লোইরগদবগী মাঙওইননা সুপ্রিম কোর্টকী কোলেজিয়মনা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস ওইনবগীদক রেকমেন্দ তৌখিবা মদ্রাজ হায় কোর্টকী জষ্টিস এম সুন্দরনা ফম অসি পুরগনি।

মসিগীদমক য়ুনিয়ন লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্টরনা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

## য়ুথ কোংগ্রেসনা মোদিগী খোঙচৎ য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাও লাউরকপদা পুলিসকা মূক্লখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি ৱাই সী সী) গী থৌমীশিংনা ঙসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পুং খরগী মণিপুর খোঙচৎ অসি য়ানীংদে অমসুং তাৎকী খোঙচৎনি হায়বগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিগী মায়োক্তা পেন্দবা খোল্লাও কয়া লাউরদুনা বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনদগী ৱাকৎ খোঙচৎ চৎনবা হোৎনরকপদা মশীং য়াল্লবা পুলিসকা অকনবা মওংদা মুক্লখ্রে।

খোঙজং অসিগী মনুং চন্না য়ুথ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট মরূ কোকথোক্তুনা শরুক য়াখি। খোঙজং চঙশিনখিবশিংনা ঙসি ফাওবদা শরূ মচেৎ অমত্তনা নৎত্রগা শেৎখি-চাখিবা ফিরোল মতৎ অমা ফাওবা ফংদ্রিবা হেমঞ্জিৎ অমসুং লিন্থোইঙম্বীগী ফোটো পায়বসু য়াওখি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা এম পি ৱাই সী সীগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু আনন্দনা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা ঈরাং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭


## লানগী ৱারোইশিন পুরক্লবা লাকপা ওইরমদ্রে : নন্দো লুৱাং

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পুং খরগী খোঙচৎতা চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা লাক্লমখিবা অসি মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা লোইশিন-খমজিনবা নাইদ্রিবা মণিপুরগী লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা খোঙচৎ ওইরমদ্রে হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মহাক্কী খোঙচৎকী মনুং চন্না কংলাদা পাঙথোকখিবা মীফমদা মী মশীং য়াম্না শরুক য়াবা মালহন্নবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ খরগী ওফিশলশিংনা ওর্দর ওইনবু থোক্লবসু নৎত্রগা চিনহায় ওইনবু তৌরবসু নমদুনা এমপ্লোয়ীশিং শরুক য়াহনখি হায়বসি প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙলম্বসু য়াই অদুগা ঙসিগী থৌরম অসিগী অশিন-অরাং তৌরিবশিংনসু খঙলমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসিদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অসিদা মীয়াম্বু নম্ফুদা শরুক য়াহনবা 'ফোর্স পার্টিসিপেশন' গী থৌওংনি হায়রদুনা অঙ্গনৱাদি অমসুং আশা ৱার্করশিংসু নমদুনা শরুক য়াহনখি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

চহী অনী হেল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লমদবনা অথুবা মতমদা মণিপুরদা লোকল বোদি খরগী মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা মদুগীদমক য়েংদুনা লাকপা ওইগনি অমসুং ঙসিগী মহাক্কী খোঙচৎ অসি থৌওইনা মণিপুরদা লাক্লিংনা লাকপা খোঙচৎ অমা ওইদে হায়নসু ফোঙদোরকখি।



## মফম কয়াদা 'গো বেক মোদি' লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে





**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা চহী ২ মখায় ফাজিল্লক্লবা মতমদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী মিজোরাম, অসাম অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল খোঙচৎকী মনুং চন্না মণিপুরদা পুং খরা লাক্লম্লবসু অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লমদবগা ইরোয়ননা মহাক্লা মণিপুরদা মতম চানা লাকখিদে হায়বগী ৱারৌরবা মীয়াম্না ঙসি মহাক্কী খোঙচৎ নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা 'গো বেক মোদি' হায়বা খোল্লাওনচিংবা লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ঙসি খোঙজং চঙশিনখিবশিংগী মনুংদা লিলোং চজিং অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট মাইবম বেনু অমদি সেক্রেটরি মাইবম বসন্তি অনীনা লুচিংবা নুপীশিংনা লম্বীগী নাকলদা লেপ্তুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাওশিং ইবা বেন্নরশিং পায়দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজং অসিনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুর অনী থোক্লা থুগায়বা য়ারোই, গো বেক মোদি, মোদিগী খোঙচৎ বোইকোট তৌই অমসুং য়ানীংদে, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি য়ারোই, ...মখা লমায় ৩ কলম ২


## কুকি এম এল এ ১০না প্রাইম মিনিষ্টরদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ অমুক্কসু তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৩ (ঐচএনএস):** ঙসি পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্লমখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং ওইরিবা বি জে পিগী ৭, কে পি এ ২ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১না লান অসি হৌরকপদগী তান্দুনা লাকখিবা মখোয়গী মরু ওইবা দিমান্দ অমা ওইরিবা লেজিসলেচরগী পৱার য়াওবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন/য়ুনিয়ন টেরিটরিগী দিমান্দ পীননবা ৱারী শানগদবনি হায়বগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকপা অইবা চেরোল অমা এম এল এ ১০না পূন্না খূৎয়েক পীদুনা অথুবা মতমদা পোলিটিকেল সেট্টলমেন্ট পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL-B/9849/14




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫